সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JANUARY 31 , 2018 PAGE 7

ইংলেন্দগী কাউন্টি ক্রিকেটকী মমাঙগী চেম্পিয়ন টিম ওইরিবা য়োর্কসায়র ক্রিকেট টিমদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টেষ্ট ক্রিকেটতা মরুওইবা বেটসমেন অমা ওইরিবা চিটেশ্বর পুজারা

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙম্নবা মিলৱাল ক্লবতা অমুক শান্নগদৌরিবা টিম কাহিল

সুবমান গিলগী রন ১০২ না মতেং ওইরগা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানবু রন ২০৩ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরগনি

পাকিস্থানবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখিবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী আউট ওইদনা রন ১০২ লৌখিবা সুবমান গিল

খৃষ্টচর্চ, জনুৱারী ৩০ঃ

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা সুবমান গিলগী রন ১০২ গী মতেংনা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানবু রন ২০৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থাননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৭২ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু কেপ্টেন পৃথবী সো অমসুং মনজোট কালরানা হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ওভর ১৫ গা বোল ৩ শান্নমিন্নবদা রন ৮৯ লৌরমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন পৃথবী সো বোল ৪২ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪১ লৌদুনা লৈরিঙৈদা রন আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট তুখি।

নৌনা থোরকখিবা অহুমশুবা বেটসমেন সুবমান গিল অমসুং ওপনর মনজোট কালরাগা শান্নমিন্নরকপদা শুপ্নগী রন ৫ খক হাপচিল্লগা মনজোট কারলা রন ৪৭ তা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ৫৯ মায়োক্লবদা ফোর ৭ য়ৈরমখি।

নৌনা থোরকখিবা হরভিক দেসাই অমসুং সুবমান গিলনা মখা তানা ইন্নিংস অদু শান্নবা হৌরকখি। মখোয় অনীনা ইন্দিয়াগী রন অদু ১৪৮ শুহল্লমখি। হরভিক দেসাই মশাগী রন ২০ য়ৌরকপদা আউট ওইখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী ৫শুবা বেটসমেন রিয়ান পরাগ থোরকখি।

রিয়ান পরাগ শুপ্নগী রন ২ খক লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা থোরকখিবা অভিসেক শর্ম্মাসু রন ৫ খক লৌরম্লগা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১৬৬ শুরকপদা ইন্দিয়াগী ৱিকেট ৫ তুখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা অনকুল সুধাকর রোয়না ফিভম ফজনা লৈরিবা সুবমান গিলগা ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ২৩৩ য়ৌহল্লকখি।

অনকুর সুধাকর রোয় বোল ৪৫ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৩ লৌদুনা লৈরিঙৈদা আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী ৬শুবা বেটসমেন তুখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৩শুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা সুবমান গিলনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ৯৪ মায়োক্লবদা ফোর ৭ য়ৈরগা আউট ওইদনা রন ১০২ লৌদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। ৯শুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা সিভম মাভিনা লৌরম্বা রন ১০ অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ৫ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৭২ লৌবা ঙমখি।

পাকিস্থাননা মায় পাক্লবগীদমক রন ২৭৩ লৌনবা টার্গেট লৈখিবা অদু লৌননবা হোৎনরকপদা ওভর ২৯ গী অহুমশুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৬৯ খক লৌবা ঙমখিবদগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়াগী মখূত্তা রন ২০৩ দা মায়থিখিবদগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা মথং থাগী ৩ দা লম্বা তৌনরগনি।

পাকিস্থানগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা রোহেল নাজিরনা লৌরম্বা রন ১৮, ৭শুবা বেটসমেন সাদ খাননা লৌরম্বা রন ১৫ অমসুং ১০শুবা বেটসমেন মুহমদ মুসানা লৌরম্বা রন ১১ অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মায়কৈদা ইসান পোরেলনা ৱিকেট ৪, সিব সিংহনা ৱিকেট ২, রিয়ান পরাগনা ৱিকেট ২ লোয়ননা অনকুল সুধাকর রোয় অমসুং অভিসেক শর্ম্মানা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মুস্কাটনা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি য়ুম্বু ওইরগনি

মুস্কাট, জনুৱারী ৩০ঃ

ওমানগী কোনুং মুস্কাটনা এসিয়ান হোক্কি ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী য়ুম্বু ওইরগনি।

এসিয়ান হোক্কি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অয়াবা ফংলবা মতুং ওমানগী সিটি মুস্কাটতা চৎলিবা চহী অসিগী ওক্তোবর ১৮ দগী ২৮ ফাওবা নুপাগী এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি।

চহী ২।২ লৈরগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১১ দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

হন্দক্কী চহী অসিদা য়ুম্বু ওমান য়াওরগা এসিয়াগী মকোক থোংবা লৈবাক ৬ না লম্বা তৌনগদৌরি। মকোক থোংবা ইন্দিয়ানা মালেসিয়া, পাকিস্থান, সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগা লম্বা তৌনগদৌরি।

সিসোদিয়ানা কম্মনৱেল্থ গেমসকী চেফ দি মিসন ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩০ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ৪ দগী ১৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমস ২০১৮ গী ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্টকী চেফ দি মিসন অদু ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরী ওইরিবা ভিক্রম সিংহ সিসোদিয়ানা ওইরগনি।

গেমস অদুদা ভিক্রম সিসোদিয়াবু মতেং পাঙননবা টিম মেনজর ৩ সু ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা খনখি। মখোয়শিং অদুদি মোর্ডর্ন পেন্টাথোলোন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরী নামদেব শ্রিগাউকর, এসিয়ান সেল্লিং ফেদরেসনগী ওফিসিয়েল অজয় নারং অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবার ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জেনরেল ভি এ সিয়াদনি।

সেল্টা ভিগোনা রিয়েল বেটিসপু স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২১শুবা লীগ রাউন্দ মেটচ অমদা পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে



সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা আইগো অসপাস

মাদ্রিদ, জনুৱারী ৩০ঃ

স্পেনদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা সেল্টা ভিগোনা রিয়েল বেটিসপু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সেল্টা ভিগো ঙসিগী মেটচ অসিগী মাঙওইননা মেটচ ২০ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৮ ফংদুনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা রিয়েল বেটিসনা মেটচ ২০ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৭ ফংদুনা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখি।

সেল্টা ভিগো অমসুং রিয়েল বেটিসনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোইশিংনা হেন্না বোল পায়দুনা এটেক তৌবা ঙমখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা টিম অদুনা চথরকখিবা এটেক অমদা আই অসপাসনা মেটচকী অহনবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রিয়েল বেটিসপু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখিবা মরম্না অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা মেটচ অদু সেল্টা ভিগোনা রিয়েল বেটিসপু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোইশিংনা অদুমক এটেক হেন্না চথদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা টিম অদুনা চথরকখিবা এটেক অমদা এম গোমেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা রিয়েল বেটিসপু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

রিয়েল বেটিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা সেল্টা ভিগোনা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোক্লবা এটেক তৌবা হৌরকখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা টিম অদুগী এটেক অমদা এস লিওননা শোথরম্বা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

সেল্টা ভিগোনা মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা আই অসপাসনা শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা রিয়েল বেটিসপু ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা নিয়ম লান্না বোল থিংলুবগীদমক রেফরিনা রিয়েল বেটিসতা পেনাল্টি অমা পীখি।

খুদোংচাবা অদু রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই এ গুৱারদাদোনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু মখোয় সেল্টা ভিগোগী মখূত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিবা নংখি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ঙসি অহানবা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোক্লগনি

খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস হৌদোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোডি

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩০ঃ

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হয়েং অহানবা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস হৌদোক্লগনি।

গেমস অসি চহী ১৭ মখাগী শান্নরোইশিংগী ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা স্কুলগী শান্নরোইশিংগী ওইবা শান্নবগী ফেষ্টিভেল অমা ওইগদৌরিবনি।

চয়োল অমা চুপ্না পাঙথোক্কদেরিবা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস অসি মশান্না ১৬ তা চহী ১৭ মখাদা লৈরিবা স্কুলগী শান্নরোইশিংনা অথোই–অহেন তান্নগদৌরি।

মশান্নশিং অদুদিঃ– আর্চরি, এঠলেটিক্স, বেদমিন্টন, বাস্কেটবোল, বোক্সিং, ফুটবোল, জিমনাষ্টিক্স, হোক্কি, জুদো, কবাদ্দি, খো–খো, সুট্টিং, স্বিম্মিং, ভোলিবোল, ৱেঠলিফটিং অমসুং রেষ্টলিং মশান্ননি।

খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা চহী নৌরিবা শান্নরোইশিং মশক খঙদোক্কুনা শান্নবগী ইহৌ অমা পুখৎনবা হোৎনরকপা খোঙথাংনি।

অহানবা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস অসিদা চহী ১৭ মখাগী ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা স্কুলগী শান্নরোইশিংনা অথোই–অহেন তান্নবদা গোল্ড মেডল ১৯৯, সিলভর ১৯৯ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ২৭৫ ফংনবা থেংনগদৌরিবনি।

খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসিনা নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈবা স্কুলগী শান্নরোইশিংনা তোঙান–তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিং অসিদা তুংদা মখোয়না হৈনজবা মশান্না অদুদা মালেমগী থাক্তা মকোক থোংবা ঙম্নবগী লম্বেল অমা শেম্লকপনি।

হায়রিবা খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসিদা ইন্দিয়াগী হায় পৱারর্দ কমিতি অমা লৈদুনা প্রোগ্রাম অসিদগী অফবা শান্নরোইশিং মশক খঙদোক্লগা মখোয়বু মখা তানা মখোয়–মখোয়না হৈনজবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অদুদা ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মালেমগী থাক্তা মকোক ওইনবগী হোৎনবদা চহী ৮ চুপ্না শেলগী মতেং ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না চহী ১ দা লুপা লাখ ৫ পীগদৌরি।

ইন্দিয়াগী লাইশ্রম সরিতা দেবী অমসুং সিব থাপ্পা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিংগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা এল সরিতা (ওই) অমসুং সিব থাপ্পা

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩০ঃ

যুএস দোলর ১০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান–তোঙানবা বাউটশিংদা য়ুম্বু লৈবাক অসিগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা দেবী অমসুং সিব থাপ্পা মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা মমাঙদা ৱার্ল্ড অমসুং এসিয়ান চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা দেবীনা থাইলেন্দগী বোক্সর পেমৱিলাই লাওপিমগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

লাইশ্রম সরিতা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবী বোক্সর অদু ইন্দিয়াগী প্রিয়াঙ্কা চৌধুরিনি। চৌধুরিনা ঙরাং মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা মেডল ফংবগী রাউন্দ ওইরিবা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী সিবা থাপ্পানা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনবদা উজবেকিস্থানগী বোক্সর সর্বেক রাখমাটুলোভপু মায়থিবা পীখি।

সিব থাপ্পানা ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুগী অহানবা রাউন্দদা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা মহাক্কী লম্বা অদুগী অশোনবা অমদি অকনবা মায়কৈশিং অদু নিংথিনা ঔরাইবা ঙমখি।

অনীশুবা রাউন্দদা বোক্সর অনীমক মখোয়–মখোয়গী পাঙ্গল ফুদোক্কদুনা পোইন্ট ফংনবা হোৎনরকপা অদু লেঙ মান্নখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপ্পানা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা মশা চোকথরবা উজবেকিস্থানগী বোক্সর সর্বেক রাখমাটুচলোভপু খুদুম চনবা ঙমদুনা বাউট অদু মহাক্না ঙম্বদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

সিব থাপ্পানা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা বোক্সর অদু ফিলিপিন্সকী বোক্সর চার্লি স্বারেজবু মায়থিবা পীরম্বা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মনিস কোসিকনি। পনবা য়াই মমাঙ চহীগী ইন্দিয়াগী নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিব থাপ্পাবু মনিস কোসিকনা মায়থিবা পীদুনা কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

নুপাগী কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবা অমিত পংঘালনা সেমি ফাইনেলদা কেনিয়াগী বোক্সর সাফি হাসনবু মায়থিবা পীরম্বা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর লালবিয়াকিমা নুটলাইগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱার্ল্ড য়ুথ চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী সচি চোপ্রানা নৌনা সেনিয়র লেভেলদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপদা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর ৱাই সন্ধ্যয়ারানিবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সচি চোপ্রানা সেমি ফাইনেলদা এসিয়ান চেম্পিয়ন ওইরম্লবী পূজা রানিবু মায়থিবা পীরম্বী কেমরুনগী বোক্সর ইসিয়ানি ক্লোটিলদেগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি নুপীগী কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী মমিং লৈরবী ইন্দিয়াগী সোনিয়া লাথর ইন্দোনেসিয়াগী বোক্সর খৃষ্টিয়ান মারৱান জেন্বেগী মখূত্তা মায়থিদুনা মেডল ফংবগী আশা লোইশিনখি।

সেমি ফাইনেল য়ৌখিবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈবা বোক্সরশিংগী মনুংদা কিংস কপ ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টকী টাইটল অহুল্লক ফংবা ঙমখ্রবা কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা কে শ্যামকুমার, কেজি ৯১ মথক্কীদা এসিয়ান গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবা সতিস কুমার অমসুং এসিয়ান য়ুথ বোক্সিংগী সিলভর ফংখিবা কেজি ৬০ গী অনকুস দহিয়ানি।

বেদমিন্টনগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ প্রকাস পাদুকোনদা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩০ঃ

বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা মশান্না অসিগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অদু ১৯৮৩ দা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ফংবা ঙমখ্রবা অমদি ১৯৮০দা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা প্রকাস পাদুকোনদা পীখ্রে।

ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রকাস পাদুকোনদা বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অদু ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ভেনকয়া নাইদুনা খুৎশিন্নখি।

মশাগী চহী ৬২ শুরবা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনবু মালেমগী থাক্তা চাউনা পুখৎলম্বা প্রকাস পাদুকোনদা বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অদু পীখিবনি।

প্রকাস পাদুকোননা মহাক্কী কেরিয়রদা কুমজা ১৯৭৮ দা কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেডল ফংখ্রবা মতুং মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী চেম্পিয়ন অদু কুমজা ১৯৮০ দা ফংখিবনি।

মদুগী মতুংদা কুমজা ১৯৮৩ দা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী মেডলসু ফংখি। ইন্দিয়াদা ক্রিকেটকী মথংদা বেদমিন্টননা খ্বাইদগী মমিং লৈবা মশান্না অমা ওইরি হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা ফোঙদোকখি।